# টাইৱানদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী ফীভম

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

অনৌবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ য়ৌরকপগা লোয়ননা টাইৱানদা খ্বাইদগী অনৌবা লাইচৎ অসিনা নাহনবা মীশিং এপ্রিল ২৬ ফাওবদা পূন্না মীওই ১,১০৪ শুরে। অদুগা শিবগী মশীংনা মীওই ১২ শুরে। ঙসি ওইরিবা ইরমদম কংলৈপাক্কী কোভিদ লাইচৎকী ফীভম অসিগা চাংদম্নরুরবদি অসুক্কী মতিক নেমখ্রে। লাইচৎ অসিনা নাবসু অদুগা শিবগী মশীংসু। মীওই লাখ ৩২সু শুদবা ইরমদম কংলৈপাক্তা লাইচৎ অসিনা নাহনবগী মশীংসি পূন্না মীওই ৩০,৪২১ শুখ্রে অদুগা শিবগী চাংনা মীওই ৩৮৪ য়ৌখ্রে। অদুবু টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা মীওই লাখ ২৩৮ হেন্না লৈবগী মনুংদা কোভিদ লাইচৎনা নাহনবসি শুপ্নগী মীওই ১,১০৪ খক্তনি অদুগা শিখিবনা মীওই ১২ খক্তনি। মসিদা লৈঙাক্না মথৌ নীংথিনা তৌদ্রে হায়না লাউনরিবনি। করিগুম্বা টাইৱান মচাশিংসি মীওই লাখ ৩২ শুনা লৈতবা ইরমদম কংলৈপাকসিদা লাইচৎ অসিনা নাবগী অমদি শিবগী মশীংসি উরবদি মখোয় য়ূমদগী মপান থোকউ হায়বা য়াগদৌবা মান্দে। হায়বদি অসুক্কী মতিক খেন্নখ্রে হায়বনি। ইরমদমদা লাইচৎ অসিনা নাহনবগী মশীংসি শরুক ২৭ হেল্লি (more than 27 times) অদুগা শিবগী মশীং অসিসু শরুক ৩৫ হেল্লি (more than 35 times).

টাইৱান্দা খ্বাইদগী অহানবা কোভিদ-১৯না শিহনবসি মমাঙগী কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারী ১৭ ওইখি। অদুদগী অনীশুবা লাইচৎ অসিনা শিহনবনা মার্চ ২১দা ওইখি। অসুম্না মথং মথং শিরকপনা জন্যুৱারী ২৯দা মীওই ৭ য়ৌখি। কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২৯দগীনা হন্দক চহীগী জন্যুৱারী ২৯ ফাওবা, হায়বদি চহী অমা চপ চানা মীওই অমত্তা শিখিবা লৈতে। অদুবু জন্যুৱারী ৩০দা মীওই অমা লাইচৎ অসিনা শিহন্দুনা মতম শাংনা লৈরকপা ফীভম অদু থুগাইখি। মতৌ অসুম্না অমমম সুম হেনগৎলকপনা ঙসিদি মীওই ১২ য়ৌরে। মসি য়ৌরকপা অসিদনি মীয়াম্না অমদি ওপোজিসন্দা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লাউ খোংবা হৌরক্লিবা। ঐখোয় ইরমদমদদি কমদৌবা।

হৌজিক হৌজিক ওইরিবা অনীশুবা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লান্দারকপসিগা লোয়ননা টাইৱান্দা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্নবা ভেক্সিন কাপ্পসি মীওই কাঙলূপ খরদা ওইনা কাপ্পী, মরু ওইনা হেল্থকেয়রগী লম্দা লৈবা মীওইশিং, কোভিদ-১৯ লাইচৎ ঙাকথোক্নবা লৈবা লৈঙাক্কী মীওইশিং, অদুগা মখোয়গী থবক্তা মরম ওইদুনা লাইচৎ অসি পক্লকপা য়াবা মীওইশিং অসিনি। লাক্লিবা মে থাদগী থবক্তা মরম ওইদুনা মপান লমশিংদা চৎত য়াদবা মীওইশিং, লায়েংবা চৎকদবা, স্পোর্টস কম্পিটিসন্নচিংবা য়াওবা চৎকদবশিংসু ভেক্সিন কাপ্পগনি হায়না টাইৱান লৈঙাক্না ফোঙদোক্লি।




টাইৱান্দা ইহান হান্না কোভিদ-১৯ লাইচৎকী ভেক্সিন কাপ্পা হৌখিবসি চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২২দা হৌখিবনি। হৌজিক হৌজিক ফাওবগী ওইনা টাইৱান্দা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা ভেক্সিন কাপ্পসি পূন্না মীওই ৪২,৬৭২ শুখ্রে। অতৈ মীচম মীয়ামদি অদুক থোইদোক্না ভেক্সিন কাপ্পগী অপাম্বা ফোঙদোক্ন বা লৈত্রি। লোয়ননা লৈঙাক্না কাপ্পু হায়বগী ৱাফমসু লৈত্রি, মরমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি টাইৱান্দা পূন্না লাইচৎ অসিনা নাদুনা লৈরিবসি শুপ্নগী মীওই ৫৮ অদুগা শিখিবসু শুপ্নগী ১২ খক্তনি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসি লাকত্রিঙৈদা চহী অমা চুপ্না মীওই ৭ শিবা অদুদগী হেনগৎপা লৈখিদবনি। অদুবু অনীশুবা লাইচৎ লাকপা হৌরকপদগী টাইৱান্দা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী অনৌবা লাইচৎ অসি পুশিল্লকপগী মশীংসি হান্নদগী খঙহেন হেনগৎলকখি। লোয়ননা মীওই ৫ অমসু শিখি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা টাইৱান্দা মীওই খুদিংমক ভেক্সিন অসি কাপ্পগী ৱাফমদি লৈত্রি। অদুবু মশা মশানা কাপচনীংবা মীওইশিংদা, মরু ওইনা মপান লৈবাকশিংদা চৎত-য়াদবা মীওইশিংনা মশা মশানা শেল পীদুনা কাপ্পা য়াবগী অয়াবা লৈহনগদৌরি। অদুগা মহৈরোয়শিং, ওফিস, কম্পেনি খুদিংমক চাং নাইনা হান্নগুম হাংদুনা লৈরি। মহৈশঙশিংদা হান্নগুম মাস্ক উপ্পগী তঙাইফদবদু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি থমদ্রি, লোয়ননা মহৈশঙশিংদা হকচাংগী অঙৈং-অশা য়েংবদসু হৌজিক্কী ওইনদি হৌদ্রি। অদুগা য়াম্না লাইবক ফবা হায়বা তারে, ঙসি ফাওবদা টাইৱান্দা লোকদাউন তৌবগী তঙাইফদবা অদু লৈতবনা টাইৱানগী মীওইশিংনা লোকদাউনগী চৈনা ফংদবীদা মনীং মখা তম্না চৎথোক চৎশিন তৌদুনা লাক্লি অমদি মাগী মাগী ওফিসতা চৎতুনা মথৌ শিন্থা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী অমদি মরন্নাই ওফিসশিং অমদি অতৈ অতৈ থবক শূফম্নচিংবা মফমশিং মহৌশাগুম চাং নাইনা হাংদুনা লাক্লি। হেন্না লাইবক ফবা অমনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মমাঙ চহী জন্যুৱারীদা টাইৱান্দা য়ৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা নীংথমথা থোঙ লোল্লুবগী অহানবা চয়োল অমা থেংথনা হাংখিবা অদু নত্তনা অতৈ মতমদি হাংদুনা মহৈ মশীন তমদুনা লাক্লি। চয়োল অমা থেংনা হাংখিবা অদুসু সেমিষ্টর লোইশিল্লকপদা চয়োল অমা থেংথনা হাংদুনা মেনশিনখি। তৌইগুম্বসুং, মীয়ামদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা চৎন-কাঙলোনশিং, এস ও পি হায়নবা লৈতনা মশা মশানা খঙনা চৎনৈ, ইন্নৈ, মাস্ক উপ্পুনা চৎনৈ, সোসল দিষ্টেন্সিং মথৌ তাবদা ইন্দুনা চৎলি, হেন্দ সেনিটাইজর, স্প্রেনচিংবা অদুম শীজিন্নৈ। অদুগা লৈঙাকসু মখোয়না ঙমজবা হোৎনদুনা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। শাজেল তৌফম জিম্নচিংবা, স্পোর্টস ওদিটোরিয়ম পূম্নমকসু হাংদুনা লাক্লি, হাংলি। অদুবু শান্নরোয়শিংনা মশা মশানা ৱাখল তানা মাস্ক উপ্পুনা শান্নৈ, মথৌ তারবদি। লোয়ননা পব্লিক ত্রান্সপোট শীজিন্নবদা, দিপার্টমেন্ট ষ্টোরস, রেষ্টুরেন্টস, সিনেমা হোল, জিম অমদি অতৈ মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চঙবদা মাস্ক উপত্রবদি চঙহন্দে অদুগা বোদি টেম্পরেচরনচিংবসু অয়াম্বনা য়েংশিল্লি।

তুংদা ওইরকপা য়াবা ফীভম খন্দুনা টাইৱানগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা সেন্ট্রেল ইপিদেমিক কম্মান্দ সেন্টরনা মোদর্না হায়রিবা ভেক্সিন অসি মে থাদা ৫.০৫ মিল্লিয়ন দোজেজ পুশিল্লক্তুনা জুলাই থাদগী ভেক্সিন অসি মথৌ তাবা মীওইশিংদা কাপ্পা হৌবগী ৱাফম লৈ। মতৌ অসুম্না টাইৱানগী ফীভমদি য়াম্না ফনা লৈরি হায়বা তারে। হৌজিক ইরমদমগী মীয়াম্না তৌগদবা হায়ববু ইশা ইশানা এস ও পি ইন্দুনা, লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা চৎন-কাঙলোনশিং হায়নবা লৈতনা ইন্দুনা চৎপীবা অসিনি। লৈঙাক্নসু লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা মথৌ নিংথিনা তৌবীবা। মখা তাবা পাউ অমুক পাউদমজরক্কে মতম মতমগী ওইনা। য়াইফমিন্নরসি। ●

# মে দে, ২০২১না লাকপদা শিন্মীনা শিন্মী কন্ননবা থৌদাং লৌমিন্নরসি

- সোতিনকুমার -

ফাদর ওফ ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন হায়না খঙনরিবা ডা. বি আর অম্বেদকরনা ইন্দিয়াগী শিন্মীশিংদা পাউজেল অমা পীরম্মী মদুদি শিন্মীশিংগী মাঙখ্রবা রাইটশিং অমুক হন্না ফংনবা লৈঙাক্তা হন্না হন্না হায়জরবসু তৌগে খন্না মৎখ্রবা মমল নাইদ্রবা রাইটশিং ফংননবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেদি শিন্মী অমসুং মীয়াম্না হনবা লৈতনা থেংনবনি। অম্বেদকরগী পাউজেল অসি লাক্লিবা মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী শিন্মীশিংগী শেংলবা নুমিৎ 'মে দে' অসিদা লৈবাক মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা অমসুং শিন্মীশিংগী মাঙখ্রবা রাইটশিং অমুক হন্না ফংনবা অনৌবা মওংগী লালওং মখাদা পূন্না থেংননবা হোৎনমিন্নবা চঙলি।

কুমজা ২০১৯দগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অনীশুবা লৈঙাক লিংখিবগা চহী লিশাং শিংনা ৱানা থেংনবদগী ফংলকখিবা শিন্মীশিংগী মমল নাইদ্রবা রাইটশিং মথং মথং মৎপা হৌরক্লি। কুমজা ১৮৮৬তা অহানবা ওইনা য়ু এসকী চিকাগো সহরদা পাঙথোকখিবা অমসুং পুং ৮ তূম্নবা লাউথোকখিবগা লোয়ননা ১৯১৯দা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল লেবর ওর্গনাইজেসনগী অহানবা কনভেন্সন্না মালেমগী শিন্মীশিং নোংমদা পুং ৮ থবক শূবা, পুং ৮ পোখাবা অমসুং পুং ৮ তূম্নবা ৱারেপ পাস তৌদুনা মসিগী মেম্বর লৈবাকশিংদা চৎনহনখি। হায়রিবা শিন্মীশিংগী মমল নাইদ্রবা রাইটশিংদু পেন্দমিক কোভিদ-১৯গী মরুমদা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা কোর্পোরেট মপুশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা ফংহন্নবা লেবর লো কয়া নৌনা শেমদোরক্লি। ইন্দষ্ট্রিয়েল রিলেসন কোদ মখাদা ত্রেদ য়ুনিয়নশিংগী দাবী পুখৎপা ষ্ট্রাইক তৌবদা অথিংবা থম্লকপগী মথক্তা ফিক্স টর্ম এমপ্লোয়মেন্ট হায়বা অনৌবা লেবর লো মখাদা শিন্মীশিং মরম পীদনা এমপ্লোয়রনা থবক লৌথোকপগী অয়াবা পীরি। শিন্মীশিংগী জোব সিক্যুরিটি, সোসল সিক্যুরিটি অমদি নুপী শিন্মীশিংগী মেটরনিটি বেনিফিট, সোসল সিক্যুরিটি কোদ মখাদা মৎনবা হোৎনরক্লি। কোর্পোরেট মপুশিংগী পোথোক হেন্না পুথোক্নবা মীংদা 'ইজ ওফ দুইং বিজিনেস' মখাদা নোংমদা পুং ৮ থবক শূবগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা নোংমদা পুং ১০গী মথক্তা থবক শূহন্দুনা শিন্মীশিংবু অৱৈবা মীনাইগুম্না শীজিন্নবা হৌরকপগী মথক্তা অনৌবা ত্রেদ য়ুনিয়নশিং হাংবদা অথিংবা থম্লকপগী মথক্তা ফিক্স টর্ম এমপ্লোয়মেন্ট হায়বা আইন চৎনহল্লক্লি। লৈঙাক অসিনা পোথোক মখল কয়া পুথোক্লিবা শিন্মীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলগা তৌথোরকপদনা লৈবাক্কী ইকোনোমিক গ্রোথ ৱাংহন্নবা হোৎনরিবা শিন্মীশিংবু নমথনবা হোৎনবা লেপত্রি। শিন্মীশিংগী মরু ওইবা দাবীশিং মতম চানা থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনদ্রি। শিন্মীশিংগী লাইবক লেপকদবা ইন্দিয়ন লেবর কনফরেন্স মোদি লৈঙাক লাকখিবদগী হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্নবা হোৎনদ্রি। লোয়ননা শিন্মীশিংগী লৈবাক্কী অচৌবা ৱাথোক থোরকপদা ত্রেদ য়ুনিয়ন লুচিংবশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা শন্তাইনবা অমা পুরক্নবা হোৎনদনা খূৎচাবী ত্রেদ য়ুনিয়ন লুচিংবা অমা অনীগা ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্লে হায়না ত্রেদ য়ুনিয়ন মুভমেন্ট মরায় চাইথহন্নবা থৌরাংবা লেপত্রি।




লৈঙাক অসিগা নক্নবা লন্নাই কোর্পোরেট মপু খরগী য়েংলগা নীংখা তম্লকপদগী লৈবাক্কী ইকোনোমিক গ্রোথ ৱাংহনবদা চাউনা মতেং পাংলিবা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিংশিংদা বদজেট খুদিংগী শেল থাদবা হন্থহন্দুনা মশা মতোমতা লেপচবা ঙমদ্রবগী মীংদা প্রাইভেটাইজেসন তৌনবা হোৎনরক্লি। রেলৱেজ এয়রপোর্ট পেত্রোলিয়ম কম্পেনি, ষ্টিল প্লান্ট কোয়লা খনি অমদি অতৈ মিনরেল রিসোর্স কয়াসু প্রাইভেটাইজ তৌবা হৌরক্লি। পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক, ইন্সুরেন্স সেক্টর, রোদ ত্রান্সপোর্ট, পৱার সেক্টর, স্পেস সাইন্সনচিংবসু প্রাইভেটাইজ তৌবা হৌরক্লি। মসিনা শোকহনগদৌরিবসি হান্নদগী সেক্টরশিংসিদা থবক তৌরম্বা মশীং য়াম্লবা শিন্মী অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনি। মসিদসু নত্তনা লৈঙাক অসিগা নক্নবা কোর্পোরেট মপুশিংগী শেন্থোক ৱাংহন্নবা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম নম্ফুদা পাস তৌখিবগা লোয়ননা ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটিজ এক্ট নৌনা শেমদোকখিবা অসিনা কন্সটিট্যুসন্না পীবা রাইট টু ফুদ, রাইট টু হেল্থ চাউনা শোকহল্লগনি। কোভিদ-১৯গী শাথীরবা অনীশুবা ৱেভ মরকসিদা মশীং য়াম্লবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়া থবক শূফম লৈতবদগী শেন্থোক লম্বী মাঙথরক্লগনি। খূৎশুমল চাউনা ফংলম্বা শিন্মী কয়া কন্ত্রেক্ট ৱার্করগী থাক্তা হন্থরক্লগনি। থবক মাঙবা মশীং খংহেন হেনগৎলক্লগনি। লৈঙাক অসিনা নিও লিবরেল ইকোনোমিক পোলিসি মখা তানা চৎনহল্লকপদগী লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা অনীগী মরী লাপথোকহল্লক্লে। অসিগুম্বা থোং মান্নদবা ফীভম অসি মাঙহনখিনবা ত্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসনশিং মরু ওইনা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসনা নীংখা তমদ্রিঙৈ মমাঙদগী নীংখা তম্বা চহী ৭৫ শুরক্লবসি ফাওবা হনবা লৈতনা থেংনদুনা লাক্লি। তমথীরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরকসিদা লৈবাক অসিগী লৌমী লূপ কয়ানা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম হন্দোকহন্নবা মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদগী নেসনল কেপিটেল রিজন দেল্লীগী অকোয়বদা নিংথমথাগী অঙৈংবা অমদি কালেন্থাগী অশাবা খাঙদুনা চঙশিন্দুনা লাক্লিবা খোঙজংসিদসু এ আই টি য়ু সী য়াওনা সেন্ট্রেল ত্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসননসু মপূং ফানা শৌগৎতুনা লাক্লি। অসিগুম্লবা লৈবাক্কী লুরবা তাফম অসিদদি শিন্থা মান্নদ্রবসু শিন্মীশিংগী দাবী মপূং ফানা ফংনবা শিন্থা কয়াদা শিন্মীশিংসু অমনা অমী মতেং পাংনবা মায়পুনবা থৌদাং লৌদবা য়ারক্ত্রে।

মরম কয়াসিদগী মে ১দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ 'মে দে' থৌরমসিদা শিন্মীনা শিন্মী কন্ননবা অচেৎপা ৱাশক লৌমিন্নরসি। ●

# কুমজা ১৯৯৬ দগী ২০০৫ ফাওবদা মণিপুরদা ওইখিবা ক্যুইজগী ঈহৌ নীংশিংলুবদা

- ৱাহেংবম প্রেমচান্দ কুম্বীচা -

ঙসিদগী চহী ১৫/২০ গী মমাংদা ক্যুইজগী ঈহৌসি য়াম্না লৈরম্মী কল্লম্মী হায়বা হায়বদা হায়মনবা থোক্তবা য়াই। মসিগী মরম হায়ববু ক্যুইজগী থৌরম্বু পুক্নিং থৌগৎপীবা, শিন লাংলিবা সেক্সন খুদিংগী মীপুম খুদিংনা অরাপ্পা অনকপা থিদনা ক্যুইজ নিবু হায়রবদি ঙাওজবা মীওই কয়ামরুম লৈরম্মী।

কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০৬ ফাওবা চাওরাক্না চহী ১০ সিদা ঐহাক্না হকথেংননা থেংনজরকখিবা ক্যুইজগী থৌরম খরদং নীংশিংদুনা মতমদুগী ইরমদমসিগী মীয়াম্না অমদি মহৈরোয়শিংনা য়াম্না পামজখিবা মরু ওইবা ক্যুইজ খরদং পাউ চেশিং খুথাংদা থমজবগী তাঞ্জা অমা লৌরগা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদুসু ইনোৎ অমা হাপ্তুনা ক্যুইজগী ঈহৌ অমা শাগৎপদা মতেং ওইবা য়াই খঞ্জরি, ক্যুইজ থৌরমশিংদুদি :-

(১) ওল ইন্দিয়া রেদিও ষ্টেসন ইম্ফাল (এ আই আর) গী নহারোল খোঞ্জেলগী থা অমগী অরোইবা নোংমাইজিং নুমিৎকী ক্যুইজকী থৌরম, দুর দর্শন কেন্দ্র (দি দি কে) ইম্ফালগী মহৈরোয়শিংগী ক্যুইজ য়াম্না পাম্না য়াওখি।

(২) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী য়ুথ ফেষ্টিবেলগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা ক্যুইজ, মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টুদেন্টস (এম আই এম এস) গী মেন-ফেটগী শরুক অমা ওইরিবা ক্যুইজ।

(৩) মণিপুর ষ্টেট এদস কন্ত্রোল সোসাইটি (এম এ সী এস) গী ৱর্ল্ড এদস দে দিসেম্বর ১ গী মাংওইননা পাঙথোকখিবা রিটন ক্যুইজ ওন এদস, ষ্টেটকী থাক্তা অমদি দিষ্ট্রিক্টকী লেভেলগী থাক্তা মহৈরোইশিংনা য়াম্না পাম্নবা ওইখি।

(৪) নো য়ুওর ষ্টেট হায়বা হীরমসিদা য়ুম্ফম ওইবা মণিপুরগী চীং, পাৎ, তুরেল, শান্না-খোৎনবা, নাৎকা মরী লৈনবা, পাকপা-চাওবা, শকনাইবা-শকনাইবীশিংগী মরমদা বেস তৌরগা শেম্বা ক্যুইজ কম্পিটিসন মণিপুর কোলেজদা মণিপুর কোলেজ, শিংজমৈগী মতমদুগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়না ইন্দিপেন্দেন্স কপ হায়রগা মিংথোন্দুনা পাঙথোকখি।

(৫) এপ্রিল থাগী খোঙজোম দেগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্টকী কলিকাদা পাঙথোকখিবা খোঙজোম দে ক্যুইজ, কাংজাবী লৈরক য়ুথ ক্লব, নাগামপালগী চহীগী ষ্টেট লেভেল ক্যুইজ কম্পিটিসন।

(৬) মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এম এফ দি সী) গী মণিপুর ফিল্ম ক্যুইজ অমদি লৈখিদ্রবা এক্স মিনিষ্টর ৱাংখেম বসন্তা কুমারগী মিংদা জি এম হোলদা পাঙথোকপা মণিপুরগী ফিল্ম ক্যুইজনা অয়েংবা অতাবা কয়াগী পুক্নিং শুমহৎখিবদা নত্তনা নৈনহনখি।

অদুবু ঙসিগী ২০১০ গী মতুংদগীদি ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) গী 'খঙমিন্নসি ইরমদম' হায়বা ক্যুইজগী থৌরম অমদি এ আই আরগী ক্যুইজ অমা অনী নত্তনা তাখিদ্রে, উখিদ্রে। মথক্তা পঞ্জরিবা ক্যুইজ খরসিদা শরুক য়াখিবা মতমদসু মহৈরোয়শিংনা ঙসিগী লৈঙাকসিগী অমদি কোর্পোরেটশিংদা অচৌবা ফিদা কয়া অমা কল্লি অমদি ঐ ইশামকসু মুম্বাইগী এস এন দি টি ৱুমেন্স য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা ক্যুইজ ২০০৫ দা মকোক থোংলকপা ঙমখি। পূম্নমকসি ঙসিগী মশক মমিং নাইরবা লোয়শঙ কয়াগী থৌগাই পুরিবশিংনা মতমদুগী ক্যুইজ মাষ্টর ওইবিখি মিং ৩/৪ পল্লবদা হৈস্নাম বালকৃষ্ণ, অহন্থেম সুভাস, কোনিকা খুরাইজম, ক্ষেত্রিময়ুম টেজকিশ্বর, হৈক্রুজম দেবেন্দ্রো, বিজিয়া য়ুমলেম্বম, য়ুম্নাম রুপচন্দ্রনচিংবগী ক্যুইজগী ঈহৌবু মতমদুদা থৱায় হকচাং হাপ্পিবা, শিনবি লাংবিখিবা ওজাশিংগী তৌবিমল কাউবা চুন্নোই।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)

**Ref :- Mut. Case No. 967/SDC/IW(C) 26/4/2021**

Ningthoujam Ningol Senjam Ongbi Indira Devi W/o (L) S. Swami Singh of Wahengbam Leikai. -Petitioner

-Vrs-

1. (Late) Senjam Swami Singh S/o Shashi Singh of Wahengbam Leikai.
2. Lourembam Joysanker Singh S/o Megha of -do- - O.P. Party

ꯈꯣꯡꯖꯦ / **NOTICE**

Imphal, the 26th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার Senjam Swami Singh পীং Senjam Shashi Singh সাং Wahengbam Leikai গী মীংদা লৈবা ই ও তহশিলগী খুল নং ৮৫-শগোলবন্দগী অনৌবা পাট্টা নম্বর ২৬৬৩, অরিবা পাট্টা নং ৮৫/১৫৪০, দাগ নম্বর ১৬১৯৭ অমসুং এরিয়া ০.০০৮০ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী লোয়নবী অসিনা মাগী মীংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই, কেস মখা চথরগনি।

HL-P/6492/25 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, (Central)***

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No. 266/SDC/M dt. 28/4/2021**

1. Phuritsabam Kumar Singh S/o (L) Kulla Singh of Phougakchao Ikhai Awang Leikai.
2. Ph. Ningthem Singh S/o (L) -do- of -do-

-Vs-

Late Ngangom Mera Singh S/o (L) Haojao of Ikhai.

ꯈꯣꯡꯖꯦ / **NOTICE**

Moirang, the 28th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৩২৭ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৬৩৯৩ এরিয়া ০.৮০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী মনুংদগী এরিয়া ০.২০৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা কো-দরখাষ্টকারীশিং অসিগী মিংদা (নামা) ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/9184/29 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Moirang**

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)

**Ref :- Mut. Case No. 968/SDC/IW(C) 26/4/2021**

Ningthoujam Ningol Senjam Ongbi Indira Devi W/o (L) S. Swami Singh of Wahengbam Leikai. -Petitioner

-Vrs-

(Late) Senjam Swami Singh S/o Shashi Singh of Wahengbam Leikai. - O.P. Party

ꯈꯣꯡꯖꯦ / **NOTICE**

Imphal, the 26th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার Senjam Swami Singh পীং S Shashi Singh সাং Wahengbam Leikai গী মীংদা লৈবা ই ও তহশিলগী খুল নং ৮৫- শগোলবন্দগী অনৌবা পাট্টা নম্বর ২৬৬৩/৬০৯৬, অরিবা পাট্টা নং ১৫৪০, দাগ নম্বর ১৬১৯৭/১৬৬৭৭ অমসুং এরিয়া ০.০১০২৫ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী লোয়নবী অসিনা মাগী মীংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই, কেস মখা চথরগনি।

HL-P/6492/25 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, (Central)***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।